সনালৈবাক স্পোর্টস

য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোলগী লূপ য়ু ই এফ এগী ইলেক্সনদা য়েৎনবা লৈতনা অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইনা খনখ্রবা অলেকসান্দর কেফেরিন

জর্মনিগী বুন্দেসলীগাগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা লৌশিন্নবগীদমক ঙাইরিবা হেমবর্গকী টিনএজর জান ফিয়েটে অরপ

মণিপুরগী ৱেঠলিফটর মিরাবাই চনুনা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ্তা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

চিয়াং মাই সিটি, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ থাইলেন্দগী সিটি চিয়াং মাই সিটিদা পাঙথোকখিবা সিলভর লেবেল ওলিম্পিক ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা ওইরিবা ই জি এ টি কপ্তা মণিপুরগী নুপী ৱেঠলিফটর সাইখোম মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি সাইখোম মিরাবাই চনু খ্বাংগী অনাবা লৈবদগী কুমজা ২০১৮ গী শরুক তঙ্খায় অমা মশান্না অসিদগী নাথৈদুনা লৈরকখিবনি। মরম অসিদা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০২০ টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড লেবেল ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমসু ওইরিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবা ঙমখিদে। ঙসি থাইলেন্দদা ফংলকখিবা মেডল অসিনা মহাক্কী অনাবা লায়েংলুরবা মতুংদা লৌরকপা অহানবা মেডল ওইরি।

মহাক্কী অশোকপা অসিনা মরম ওইরগা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এসিয়ান গেমসসু শরুক য়াবা ঙমখিদে।

পনবা য়াই কুমজা ২০১৭ তা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড ৱেঠলিফটিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা মশাগী চহী ২৪ শুরবী মিরাবাই চনুনা পুন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

গোল্ড মেডল ফংখ্রবী সাইখোম মিরাবাই চনু

থাইলেন্দগী চিয়াং মাই সিটিদা পাঙথোকখিবা ই জি এ টি কপ অদুগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৪৮ গী কেটেগোরিদা মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কেজি ৮২ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১০ পুন্না কেজি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা কেটেগোরি অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

গোল্ড মেডল ফংখ্রবী মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখিবদা ই জি এ টি কপ্তা শরুক য়াখিবা অসিনা মহাক্কী অনাবা ফরকপদগী শরুক য়াবা অহানবা ইন্টরনেসনেল ইভেন্টনি। ঐহাক হৌজিক ফিট ওইরে অদুবু মহাক্না ঙসি পীখিবা পার্ফোমেন্স অদুদি য়াম্না ফজবা ওইখিদে হায়না মিরাবাইনা মখা তানা পাউগী চেনেল অমদা ফোঙদোকখি।

ই জি এ টি কপ অসিগী কেজি ৪৮গী কেটেগোরিদা জপানগী মিয়াকে হিরোমীনা পুন্না কেজি ১৮৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখি। অদুগা ৱোঞ্জ মেডল অদুনা পাপুৱা ন্যু গুইনিয়াগী লোৱা দিকা টৌৱানা পুন্না কেজি ১৭৯ থাঙ্গৎতুনা লৌখি।

নীংশিংবা য়াই ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা সাইখোম মিরাবাই চনুনা স্নেটচতা কেজি ৮৬ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কেজি ১১০ পুন্না কেজি ১৯৬ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা গেমস অসিগী অনৌবা রেকোর্দ অমসু থম্বা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম ফিফা রেঙ্কিংদা ১০৩শুবদা হন্থখ্রে

পেরিস, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) না ঙসি থাদোরকপা মশান্না অসিগী ওইনা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম ১০৩শুবা পোজিসনদা হন্থখ্রে।

হন্দক্তা য়ু এ ইনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা এএফসি এসিয়ান কপ্তা ইন্দিয়া ফজবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমদবদগী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌখি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী টিম রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা হান্না ৯৭ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদু থাক ৬ হন্থরগা ১০৩ শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ইন্দিয়াগী টিম এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসনগী রেঙ্কিংদা হান্না ১৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা অদুসু ১৮শুবা পোজিসনদা হাইথখি।

২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফয়র চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মাঙওইননা ইন্দিয়ানা মখোয়দগী হেন্না রেঙ্ক ৱাংবা লৈবাকশিংগা মার্চ থাদা ফ্রেন্দলি মেটচ খরা শান্নবা মথৌ তারি।

নীংশিংবা য়াই ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিম কুমজা ২০১৭ দা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা ১০০ গী মনুংদা লৈদুনা চহী ২১ গী মতুংদা খ্বাইদগী ফজবা ওইখিবনি। টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা রেঙ্কিংদি কুমজা ১৯৯৬ তা ৯৪শুবা পোজিসনদা লৈখিবা অসিনা ওইরি।

এএফসি এসিয়ান কপকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা কাটার হান্না লৈরম্বা থাক্তগী পোজিসন ৩৮ হাইগৎলগা ৫৫শুবদা লৈবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচতা মখোয়দগী থাক ৱাংনা লৈরিবা জপানবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহানবা টাইটল লৌবা ঙমখি।

এসিয়াগী ওইনা কাটারনা ইরান, জপান, সাউথ কোরিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মতুংদা ৫শুবা রেঙ্কতা লৈবা ঙমখ্রে।

ফিফাগী মেন’স ৱার্ল্ড রেঙ্কিং অসিদা রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবা বেলজিয়মনা পুন্না পোইন্ট ১৭২৭ ফংদুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি।

রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখিবা ফ্রান্সকী টিম পুন্না পোইন্ট ১৭২৬ ফংদুনা বেলজিয়মগী পোইন্ট অমা শোত্থরগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন কয়ারক ওইবা ঙমখ্রবা ব্রাজিলগী টিম পুন্না পোইন্ট ১৬৭৬ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা ফ্রান্সকী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা রন্নর্স অপ তাহৌখিবা ক্রোএসিয়াগী টিম পোইন্ট ১৬৩৪ ফংলগা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

In the Court of Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur

Ref. :- Mutation Cass No. 196/SDC/P of 2019

Thingbaijam Rashi Devi W/o (L) Th. Angou Singh of Top Awang Leikai

- Petitioner

-Verses-

Thingbaijam Angou Singh S/o (L) Kerani Singh of Top

- Opposite Party

NOTICE

Porompat, the 7th Feb. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 38- Top Dusara গী Patta No.118 (অরিবা) 298 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 269 an area .06284 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar Thingbaijam Angou Singh অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East

SL/Bill(L)/8

In the Court of Sub-Deputy Collector
Heirok

Ref. :- Mut Case No. 54/SDC/Heirok Dt. 07/02/2019

1. Moirangthem Lokendro Singh S/o Late Dasha Singh of Heirok Part-II Khunou
2. -do- Nemaichan Singh D/o Late -do- of -do-
3. -do- Shajou Singh S/o (L) -do- of- do-

- Petitioners

-Verses-

Late Moirangthem Dasha Singh S/o (L) Tolamu Singh of Heirok Part-II Khunou

- Opposite Party

NOTICE

Heirok, the 7th Feb. 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহনজরি মদুদি হৈরোক তহশিল খুল নং ১২৮ পাট্টা নং ৯৮৯ অরিবা ২৩১২ অনৌবা ৭০৯৪ নং দাগকী .৬১৫০ হেক্টর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মোইরাংথেম দাসা সিংহ মৃত্যু ওইখ্রে। পাট্টাদারগী মচাশিংনা নমা পানবীরো হায়দুনা SDC/ Heirok Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌবীনিংবা লৈরবদি পাও চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭(তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা অপিল তৌরবা য়াগনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিদগী হেল্লবদি কোর্টকী হৌনবী কেস মখা চত্থজগনি। তুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Heirok

SL/4411/8

In the Court of Sub-Deputy Collector
Keirao Bitra , Imphal East

Ref. :- Mutation Cass No. 59 of 2019

1. Heikham Kanta Singh S/o (L) H. Rajamani Singh of Keirao Bitra Makha Leikai
2. Heikham Lokeswor Singh S/o (L) H. Rajamani Singh of Keirao Bitra Makha Leikai

- Petitioners

-Verses-

Late Heikham Rajamani Singh S/o Late Ibomcha Singh of Keirao Bitra

- Opposite Party

NOTICE

Keirao Bitra, the 7th February 2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Village No. 54-Wangkhem গী Patta No. 260 (অরিবা) 393 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. 549 an area 1.4300 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar (L) Heikham Rajamani Singh অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবীরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Keirao Bitra, Imphal East

SL/Bill(L)/8

বার্সেলোনা অমদি রিয়েল মাদ্রিদ ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

বার্সেলোনা, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ স্পেনগী মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট কোপা দেল রেগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচতা লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ক্লব অনী বার্সেলোনা অমদি রিয়েল মাদ্রিদ পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অদু হৌরকপদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা টিম অসিনা চথরকখিবা এটেক অমদা লুকাস ভাজক্বেজনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

য়ুম্বু টিম ওইরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু রিয়েল মাদ্রিদকী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লক্নবা ফাওবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখিবদগী রিয়েল মাদ্রিদনা বার্সেলোনাদগী পাঞ্জল ১–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসিনা রিয়েল মাদ্রিদকী গোলকিপর লাম্থোক্তুনা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনবা

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল শোত্থদুনা লৈরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা এটেক কয়া চথরকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা মালকোমনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্নদুনা পাঞ্জল থিনরকখি। অদুবু মেটচকী মতম লোইশিল্লবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্মখিদবদগী সেমি ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

টিম অনী অসিগী সেমি ফাইনেলগী অনীশুবা লেগকী মেটচ থা অসিগী ২৭ তা রিয়েল মাদ্রিদনা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরগনি।

মুকুন্দ অমদি গুন্নেশ্বারন চেন্নাই ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ ইন্দিয়াগী শান্নরোই এস কে মুকুন্দ অমদি পি গুন্নেশ্বারন তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চত্থরিবা চেন্নাই ওপন চেলেঞ্জরদা টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

চেন্নাই চেলেঞ্জর অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী এস কে মুকুন্দনা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ইজিপ্তকী এম সাফৱাটপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বৃটেনগী বি ক্লিয়েনগা শান্নরগনি।

ক্লিয়েননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী এস দল্লিয়ু ক্বোংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী প্রজনেস গুন্নেশ্বারননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই এ কাধেবু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

গুন্নেশ্বারননা ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রেলিয়াগী জে দকৱোথকা লম্বা তৌনরগনি। দকৱোথনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৯শুবা সিদেদ পোর্টুগালগী জি ইলিয়াসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৪–৬, ৭–৫, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ফ্রান্সকী সি মৌটেটনা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই লুথুৱানিয়াগী এল গ্রিগেলিসপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৬–৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ১০শুবা সিদেদ স্পেনগী এন কুহনগা লম্বা তৌনরগনি। কুহননা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী দি ঐচ লিবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৫শুবা সিদেদ স্পেনগী দেবিদোভিস ফোকিনা অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী এ হরিস শান্নরগনি। স্পেনগী ফোকিনানা অহুমশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিবু ৬–৩, ৭–৬(৭–৩) দা থোইরম্বনি। অদুগা ওষ্ট্রেলিয়াগী হরিসনা ৪শুবা সিদেদ ইটালিগী জি মেগরবু ৭–৬(৭–২), ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্বনি।

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এভরটন ২–০ দা থোইদুনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারি ০৭ঃ ইংলেন্দদা পাঙথোকপা ক্লবশিংগী ওইবা মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা এভরটনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অমুক হন্না মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

মেঞ্চেষ্টর সিটি অমদি এভরটননা ঙসি শান্নখিবা ২৬শুবা রাউন্দগী মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নরকপা পুংখায় অমা হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা আইমরিক লাপোর্টেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী অরোইবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা গেব্রিয়েল জিজসনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা এভরটনবু ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পুন্না পোইন্ট ৬২ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অমুক হন্না মকোক থোংবা ঙমখি। লিভরপুলনা পোইন্ট ৬২ ফংলবসু গোল দিফরেন্সতা শোত্থদুনা অনীশুবদা লৈখি।

ক্রোসৱার্দ ৬৬ গী পাউখুম

G	U	A	R	D	■	B	O	P	■	C	A	R	O	B
I	N	N	E	R	■	A	P	E	■	O	P	I	N	E
T	I	N	G	E	■	L	E	T	■	M	O	V	I	E
■	T	E	A	A	N	D	C	R	U	M	P	E	T	S
■	■	■	I	D	O	■	■	I	P	O	■	■	■	■
P	A	W	N	■	F	O	X	■	I	N	C	I	T	E
A	B	A	■	T	E	P	E	E	■	M	A	R	A	T
C	O	F	F	E	E	A	N	D	D	A	N	I	S	H
E	V	E	R	S	■	L	O	G	I	N	■	S	T	E
R	E	R	A	T	E	■	N	E	T	■	C	H	E	R
■	■	■	■	C	O	O	■	■	T	A	R	■	■	■
M	I	L	K	A	N	D	C	O	O	K	I	E	S	■
O	B	I	E	S	■	D	O	W	■	I	S	L	A	M
P	E	N	N	E	■	E	V	E	■	T	I	L	D	E
S	T	E	T	S	■	R	E	D	■	A	S	S	E	T

ꯄꯦꯂꯦꯁ ꯗꯦꯟꯇꯦꯜ ꯀꯦꯌꯔ

PALACE DENTAL CARE

Wangkhei Angom Leikai, Opposite to Thangal Temple
Imphal East

Newly Open

Newly Open

* Free consultation & 50% discount on all treatments upto 20th Jan. 2019

Treatments available:-

1. Scaling & Root Planning.
2. Filling, RCT, Pulpectomy, etc.
3. Crown & Bridge.
4. Extrations.
5. RPD, FPD & Complete Dentures
6. Braces & Orthodontic treatments. etc.

Sunday
8 AM. to 12 Noon.

X-ray available

Visiting Hours
8:30 AM. to 4:30 PM.

For more details
Please Contact:
Dr. Laishram Sulochana Devi (BDS)
Phone No. 8787891896 / 9774011715

SL/P/All/30 Days from 6-1-19

ꯑꯦ ꯁꯟꯁꯥꯏꯟ ꯐꯤꯖꯤꯑꯣꯊꯦꯔꯥꯄꯤ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ

A SUNSHINE PHYSIOTHERAPY CLINIC

SINGJAMEI MAYENGBAM LEIKAI
NEAR US ACADEMY, IMPHAL WEST

Treatments
- ☞ Fracture
- ☞ Frozen Shoulder
- ☞ Neck & Back Pain
- ☞ Knee Pain
- ☞ Arthritis (Hip, Knee joints, Gout)
- ☞ Stroke
- ☞ Bell's Palsy
- ☞ Other neurological Conditions

Instruments
- ☞ Tens
- ☞ Ultrasound
- ☞ IFT
- ☞ Traction
- ☞ Paraffix wax bath
- ☞ Muscle stimulator
- ☞ Laser Therapy
- ☞ Tread Mill
- ☞ Hot Pack
- ☞ Pully
- ☞ Shoulder wheel
- ☞ Ladder
- ☞ Swiss Ball
- ☞ Ankle Exerciser
- ☞ Static Cycle

Sunday - on appointment only

Home visit available

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. & 2 PM. to 5PM.

Please Contact:
Dr. Sougrakpam Roshini (MPT)
Phone No. 9089679415 / 9899141163
Email- asunshine489@gmail.com

SL/BILL/Alt/30 Days upto 3rd Feb. 2019